# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 21-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শাবল লৈকাইদা অসাম রাইফলসতা চথুখিবা এম্বুস অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অনি ফারে।

২) লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীগদবা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্ম হয়েংদগী চৎনবা হৌরগনি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা চাওখৎপা অমদি মরোমদোম লৈপচবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মাঙলোমদা চংশিল্লি।

------

পুলিস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শাবল লৈকাইদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা চথুখিবা এম্বুস অদুগা মরী লৈননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীওই অনি ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়- হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা নম্বোল শাবল লৈকাইদা অসাম রাইফলসকী মথক্তা চথুখিবা এম্বুস অদুগী মতুং তারকপদা বিষ্ণুপুর জিলাগী শান্তিপুর অমসং ইশোক্কী অকোইবা মফমশিংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মদুদা চিংনবা মীওই অনি মখা তানা মশক খঙদোকবা ফাখি। থিবা

হুন্নবগী থবক চথখিবা অদুদা এম্বুস অদুদা শিজিন্নবা ওইরমগনি চিংনবা মরুতি ভেন অমসু মুতুম য়াংবী ৱার্দ নম্বর ৱানদগী ফংখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিজিনবগী মতুংইন্না ফাগৎলবা গাড়ি অদু তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগী মীংদা লৈরম্বা থেংনখি। মরম অদুনা হিরম অসিগী মতাংদা অশেংবা অমা খঙদোকবা থিজিনবগী থবক চথরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থি হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। ইন্তেলিজেন্সতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা লাইশ্রম লৈকাই ক্রোসিংদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎখি। ফারবা মীওই অদু কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাইদগীনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী মীওই অনি ফাখি। ফারবা মীওই অনি অদু নিংথৌখোং ময়াই লৈকাই ৱার্দ নম্বর-12 অমসুং নিংথৌখোং মথক ৱার্দ নম্বর-থ্রিদগীনি। মীওইশিং অসি ত্রোংলাউবীগী অকোইবদা লৈরিবা মীচম মীয়াম, দুকান, স্কুল অমসুং করবার তৌরিবা মীওইশিংদগী নম-হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা মীওই অমা খুৎশু খুৎলায় কয়াগা কোন্ননা ফারে। মীওই অদু তাকয়েল কোলোম লৈকাইদগী হৌজিকনা য়ুরেম্বম অৱাং লৈকাইদা লৈবনি। মীওই অসিদগী মেগজিন অনি, এস.এল.আর রাইফলস অমা, সভেন পোইন্ট ফাইভ টু এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৪৬, ইন্সাস রাইফলগী ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩০, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ১৭, এ.কেগী মরু ১ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফংখি।

অমরোমদা, জিরিবামগী বোরো বেক্রা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা যাত্রাপুর খুলগা ফাওনবা লক্ষ্মীদগী তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ২১ দা হাপ্তুনা থম্লম্বা ব্রাউনসুগর গ্রাম ২৪০ ফাগৎখি।

মণিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকলগী নিয়ম কায়না গাড়ি থৌরিবশিংগী মথক্তা দ্রাইভ মখা তানা চত্থরি।

ভাজপায় (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি (টি.সি.আই) অমসুং প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট অমদি হেদ ওফ ফোরেষ্ট ফোর্স অনুরাগ ভাজপায়না কামজোং জিলাদা চত্নুনা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা কঞ্জার্ভেতর ওফ ফোরেষ্ট ইষ্টর্ন দেবলা লাইফ্রাকপম, হেন্দলুম অমদি টেক্সতাইলসকী দিরেক্তর এলাংবম জিতেন অমসুং কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার রাংনামৈ রাং পিটরসু লোয়নখি। খোঙচৎ অদুদা শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না মফম অদুদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা কম্ম্যুনিতি রিজার্ভেসন ওফ ফোরেষ্টকী মরুওইবশিং খঙহনখি। লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা ৱা মরাং কায়না থানবসু খুঞ্জাশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

ইকো তুরিজমগী মতাংদা সিংচা কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা মীফম অমদা শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না জিলা অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী খুৎ-শা হৈবা অমসুং শেনমিৎলোন ফগৎহনবদা ইকো তুরিজমনা পীগদবা খুদোংচাবা কয়াগী মতাংদা খঙহনখি। মসিগী মথক্তা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর ফগৎহন্নবা পায়খৎপা য়াবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদসু খুঞ্জাশিংদা শন্দোকা তাকখি। কামজোং জিলাদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা জিলাগী থাক্তা লৈরিবা ওফিসারশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি অনুরাগ ভাজপাইনা জিলা অদুদা উদ্যোগ লিংবা অমসুং পামলৌ উবগী খোঙথাংশিং পায়খৎপনা খুঞ্জাশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

খোঙচৎ অদুগী শরুক অমা ওইনা নেসন ফাষ্ট এদরেট সভেন্তি ফাইভ কেম্পেনগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ৭৫ না লিংখৎপা মিনি ত্রাহ ফুড য়ুনিত অমসু শ্রী অনুরাগনা হৌদোকখি। তুংদা, শ্রী ভাজপায়না বুংপা খুল্লেনদা নৌনা

শাগদবা অৱাং নোংপোক ভারত্তা ফংবা য়োং মখল অমা ওইরিবা হুলোক গিবোনগী কঞ্জার্ভেসন এন্দ ব্রিদিং সেন্তর অমসুং লৈসেন খুলদা ফিশাবীশিং কম্মন ৱার্ক সেট শানবগী যাত্রা হুনখি।

জিএসটিঃ প্রধান মন্ত্রিন-নরেন্দ্র মোদিনা গুদস এন্দ সার্ভির্সেস টেক্স (জি.এস.টি) গী মতাংদা নৌনা লৌখৎলকপা খোঙথাং-নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্মনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

হয়েংদগী চৎনবা হৌগদৌরিবা জি.এস.টি. রিফোর্ম অসিনা মীয়ামনা নোংমদা মপুং ওইনা শিজিন্নরিবা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংদা লৌরম্বা টেক্স হন্থহল্লে। হিরম অসিগী মতাংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইকোনোমিক্সকী এসোসিয়েট প্রোফেসার হঞ্জবম ঈশ্বরচন্দ্র শর্ম্মনা হায়- অনৌবা জি.এস.টি রিফোর্মস অসিনা মীয়ামদা কান্নবা পীবগা লোয়ননা টেক্স থিবগী নিয়মশিং লাইথোকহল্লগনি।

সেবা (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা চহি ৭৫ মপুং ফারকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা সেবা সপ্তাহগী থৌরম পাঙথোকরি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক সাসন অসিনা মীয়াম অমসুং লৈবাক অসিগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎনরক্লি। শ্রী মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা পাঙথোকপা থবক থৌরমশিংবু শিংথাদুনা মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা সেবা পর্বগী থৌরম অসি নুমিৎ ১৫ নি চুপা পাঙথোক্লি। প্রধান মন্ত্রিগী থবক থৌরমশিং শিংথারদুনা লৈবাক অসিগী শকাইরবা মীওই কয়ানা মহাকপু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

পেন্সন (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসনা শিন্দুনা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী ওফিসতা পেন্সনরশিংগী পেন্সন কার্দ অপদেট তৌবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিসার দব্লিউ.

থমাবতি, ৱাইতোন জি.পিগী এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী মেম্বরশিং অমসুং ভিলেজ লেবেল ফেদরেসনগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

সেল (এল)ঃ খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অপুনবা তেংবাং লুপনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা কেন্দ্র অসিগী অথৌবশিংগী ইমুং মনুংদা মরিরক শুবা ওইনা পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদু লুপ অসিনা শিন্দুনা য়ুম াম খুনৌদা পাঙথোকখি।

নোং ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমিদা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুগনি। লৈবাক অসিগী ময়াই থংবা অমসুং খা থংবা ভারতকী পেনিনসুলা লমদমদনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা অকনবা নোং তাগনি। ৱেদর দিপার্টমেন্টনা হায়- মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা চাওখৎপা অমদি মরোমদোম লৈপচবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা মাঙলোমদা চংশিল্লি। লৈবাক অসিনা মপান লৈবাকশিংদা মীপাল তাংবা হায়বসি খ্বাইদগী চাউবা য়েকবা অমনি।

গুজরাতকী ভাবনাগরদা পাঙথোকপা থৌরম ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ২০৪৭ তদি মালেমগী মেরি টাইম ত্রেদতা ভারতনা হৌজিক ওইরিবা ফিভমদগী শরুক অহুম হেনগৎনবা পান্দম থল্লি। মালেমদা খ্বাইদগী চাওখৎপা, শান্তি লৈবা অমদি তংদু লৈতাবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অদু মশা মরোমদোম লেপচবগী তঙাইফদবা লৈ। মসি মায় পাকহন্নবগীদমক লৈবাক অসিনা শিংনরকপা মায়ওং য়ারি।

বিহার ঃ   বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি নিতিশ কুমারনা শিক্ষা বিভাগকী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগীদমক্তা দি.বি.টিগী খুখাংদা মহৈরোইশিংগী এক্কাউন্টতা লুপা কোতি লিশিং ২,৯২০ ঙরাং ত্রান্সফর তৌখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা ঙরাং লুপা কোতি ৯৫৯ চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরনা শঙ্গাখি, খরনা যাত্রা হুনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা নিতিশ কুমারনা হায়- শিক্ষা বিভাগকী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মখাদা বেনিফিসরি লাখ ৪৯ হেনবদা শেনফমশিং য়েন্থোকখি। মহৈরোইশিংদা কান্নবা পীরিবা স্কিমশিং অদুদি- মুখ্য মন্ত্রি বালিকা প্রোদ সাহন য়োজনা, মুখ্য মন্ত্রি সাইকল য়োজনা, মুখ্য মন্ত্রি বালিকা পোসা য়োজনানচিংবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

গভর্নরনা চেয়ার লৌদুনা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি মীফম পাঙথোকখিবা, এম্সুসতা লৈখিদবা পার্সোনেল অনিদা গভর্নরনা লুচিংদুনা অরোইবা ইকায় খুমবা উৎখিবা, আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং লৈবাক অসিগী শক্তমদা অহোংবা লাক্লিবা অসিগী মতাংদা কমিতি অমা শেমদুনা য়েংশিন্নবা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

লৈখিদ্রবা জৱান অনিগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে, মারুতি ভেন অমা ফংখ্রে, লাখ ৫-৫ গী এক্স-গ্রেসিয়া লাউথোকখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা লোয়ননা নম্বোল এরিয়াগী মফম মরিদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে, রেল্লি চৎখ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

এম্সুসতা লৈখিদ্রবা এ.আরগী পার্সোনেল অনিদা গভর্নরনা লুচিংদুনা অরোইবা ইকায় খুমবা উৎখিবগী পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, পোকফম, শঙাই

এক্সপ্রেস ইংলিস, মোর্নিং বেল অমসুং পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

পাউ অসি সনালৈবাক্তনা নম্বোল এম্মুসতা শিজিন্নখিবা গাড়ি, চিংনবা অহুম ৱা হংখ্রে, এক্স-গ্রেসিয়া লাউথোকখ্রে, গভর্নরনা সেক্যুরিতি রিভিউ পাঙথোকখ্রে, রেড লেয়িং সেরেমোনিদা শরুক য়াখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গভর্নরনা পনদুনা লৈরিবা পেন্সনশিং অথুবদা পীথোকবা খঙহনখ্রে, ওনলাইন পেন্সন প্রোসেসিং সিস্টেম অথুবদা লোঞ্চ তৌগদৌরি হায়না সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা এম্মুস মতুংদা গভর্নরনা চেয়ার লৌদ্না খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী সেক্যুরিতি মিতিং পাঙথোকখ্রে, গভর্নরনা হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতি ফিভম রিভিউ তৌখ্রে, চেন্নবশিং অথুবা মতমদা খঙদোকবা ফোর্সশিং খুৎশমনবা খন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা তুমুয়োন খুল্লেল ড্রগ কেসকা মরী লৈননা লুপা কোতি ৫ হেনবগী মাল চাং ফাজিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পিপল ক্রোনিকলদসু অহানবা লাময়দা হেদলাইন তৌরি।

আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপনা ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা থিজিন্নবা অৱাংবা থাক্কী কমিতি অমা শেম্বদা কেন্দ্র সরকারনা অয়াবা পীখ্রে হায়বা পাউ পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মোর্নিং বেলদা অহানবা অমদি অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

-------